# কর্ফিয়ুনা শোকহল্লবশিংদা এলাৱেন্স পীরগনি

লক্ষ্নৌ, মে ১৬ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা লায়রবশিং অমসুং খুন্নাইগী শোত্থরবশিংদা মেন্টেনেন্স এলাৱেন্স ওইনা থা অমদা লুপা ১০০০ পীরগনি। মীওই ক্রোর অমরোম ওইগদবা বেনিফিসরিশিংগী মনুংদা পীক্লা দুকান ফমজবশিং, নোংমগী খূৎশুমন্না চাবা শিন্নীশিং, রিক্সো/ঈ-রিক্সো থৌবশিং, শম ককপশিং, ফিরোল তুবশিং, খোঙউপ শেম-শাবশিং, অথুম-অহাও শেম-শাদুনা য়োনবশিং য়াওরি।
মখোয়শিং অসি কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবা গভর্ণমেন্টনা থল্লিবা কর্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা শেং দাল লন্বীদা শোক্লবশিংনি। মে ২৪ ফাওবা কর্ফিয়ু শাংদোকহনখিবা য়োগি অদিত্যানাথ গভর্ণমেন্টনা এন্ত্যোদয়াগী ইলিজিবল বেনিফিসরিশং অমসুং হাওসহোল্ড কার্দ হোল্ডরশিংদা থা অহুম চুপ্পা রসন লেম্না পীরগনি হায়নসু লাউথোকখ্রবনি।
কম্যুনিটি কিটচনশিংসু লায়রবশিংগী য়েংদুনা মথৌ তৌহল্লগনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈরক্লিবা অরুবা ফিভম য়েংদুনা শেল-থুমগী লম্দা শোত্থরবশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবা কয়া থেংনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

# সাইক্লোন টৌক্তে: কোজিকোদতগী সমুদ্রদা চৎখিবা ঙামী ১৫ থিবা খঙখিদ্রে


টিরুভানন্থাপুরম, মে ১৬ (এজেন্সী):
কোজিকোদকী বেপোর হিথাংফমদগী মে ৫দা সমুদ্রদা চৎখিবা ঙামী ১৫ থিবা খঙখিদ্রে। ঙামীশিং অদু টমিল নাদু মচা ঙাক্তনি।
ঙামীশিং তোংখিবা 'অজমীর সাহ' কৌবা হি অদু মে ৫ দা বেপোরগী সমুদ্র খোংবান্দগী চৎখিবনি। হৌজিক হি অদুদা তোংখিবা ঙামীশিং অদুগী মরমদা করিমত্তা খঙবা ঙমদ্রে। চৈরকসিদা মান্নবা মতমদা বেপোরদগী সমুদ্রদা চৎখিবা অতোপ্পা হি অমা ইঞ্জিনগী মেকানিকেল ফেলরনা মরম ওইদুনা গোৱাগী সমুদ্র খোংবান তম্না চঙশিনখ্রে। মিল্লাদ-৩ কৌবা হি অদুদা টামিল নাদু মচা ১৫ তোংই। মখোয় গোৱাদগী নোটিকেল মাইল ৭ লাপ্পা লৈ। ঙামীশিংগী ওর্গনাইজেসনশিংনা কোষ্ট গার্দ অমসুং নেভিদা খূদক্তা রেস্ক্যু ওপরেসন চঙবীনবা আপীল তৌখ্রে।
ফিসিং বোট ওনর্স এসোসিএসনগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি কীলারি প্রেমেননা এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়, মাঙখ্রবা ঙামীশিং থিদুনা পুবীরক্নবা ঐখোয়না কোষ্ট গার্দ, ইন্দিয়ন নেভি অমসুং ষ্টেট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা হায়জখ্রে। ঙামীশিং নৎত্রগা 'অজমীর সাহ' হায়রিবা হিদুগী মরমদা ঈ-পাউ অমত্তা ফংদে।
আই এম সীগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, সাইক্লোন টৌক্তে কেরেলাগী



সমুদ্র মপান্দগী হাইদোকখ্রে অমসুং গুজরাটকী বেজ য়ৌরবা য়াই। সাইক্লোন অসি হাইদোকখিবদগী কেরেলাগী গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়াম্না ৱানরম্বশিং কোক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরবসু ষ্টেট অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবগা লোয়ননা অখাক-অরাও তাবা লেপত্রি। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী মীওই অনী লৈখিদ্রে। ওফিসলশিংনা মীওই অনীদুগী অকূপ্পশিং কনফর্ম তৌদ্রি।
ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ কনশিল্লকপা অমসুং নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা ওফিসলশিংনা নোংনা শোকহল্লবা মফমশিংদা রিহেবিলিটেসনগী থবক পায়খৎপা লুনা থোক্লি। লোকেল পুলিস, মীয়ামগী মীহুৎশিং অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি।
কুমজা ২০১৮গী ঈচাও হৌজিকসু কেরেলাগী পাথানমথিতা, কোটায়াম, ইনারকুলম অমসুং থ্রিসুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংনা কাওদ্রি। মতমদুগী শাথিরবা ঈচাওদা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা মীওই ৪৮৩ শিখি অমসুং অতৈ কয়া অশোক অপন নংখি। মীওই কয়া ময়ূম মকৈ অমসুং লন-থুমশিং মাঙহনখি। হৌজিক মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা অদুগুম্বা ঈচাও অমা অমুক হন্না থোক্লক্দ্রা হায়না মীপাইনরি।
থ্রিসুর দিষ্ট্রিক্টকী কলেক্টরনা পেরিঙালকুথু দামগী স্পিলৱে সট্টরশিং হাংদোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে। সট্টরশিং হাংদোকপদুগা মরী লৈননা চালাকুদি তুরেল মপান্দা লৈবা মীওইশিংদা ৱার্নিং পীখ্রে। ইর্নাকুলাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা কেম্পশিংদা মীওই লিশিং কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরি অমসুং কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অদু ওফিসলশিংনা শেন্নদুনা কোভিদ প্রোটোকোলশিং ঙাকহল্লি।

# য়ু পিগী দোক্টরশিং ব্লেক ফঙ্গস কেসশিং লায়েংনবা ওনলাইনদা ট্রেনিং পীরগনি

লক্ষ্নৌ, মে ১৬ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী দোক্টরশিং ব্লেক ফঙ্গসকী লায়েংগা মরী লৈননা ওনলাইনদা অহেনবা ট্রেনিং পীরগনি। মখা তাবা মেদিকেল ট্রেনিং পীনবগীদমক্তা উত্তর প্রদেশকী মেদিকেল কোলেজশিং, চীফ মেদিকেল ওফিসরশিং (সী এম ওশিং) অমসুং অতৈ ফিজিসনশিং সঞ্জয় গান্ধি পোষ্ট গ্রেজুএট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এস জি পি জি আই এম এস)কা খূদক্তা শম্নহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।



মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ষ্টেট লেভেল হেল্থ এক্সপর্টশিংগী এদভাইজরি কম্মিটিগা কোওর্দিনেট তৌদুনা ব্লেক ফঙ্গস ট্রিটমেন্টকী মথৌ তাবা ফাইলশিং পুথোক্তুনা ফোঙগনি।
ব্লেক ফঙ্গসকী কেসশিং হেনগৎলকপগী ফিভম লাকশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এস জি পি জি আইগী মেম্বর ১২না শাবা কোভিদ-১৯ এসোসিএটেদ টু দ ম্যুকোর্ম্যোকোসিস (সী এ এম) মেনেজমেন্ট টিম অমা শেমখ্রে।
টিম অদুনা তৌগদৌরিবশিংগী মনুংদা রেপিদ রেস্পোন্স টিম (আর আর টি) শিং শেম্বা, ট্রিটমেন্ট প্রোটোকোল শেম্বা, হীদাক লাংথক অমসুং কেস দেটাবেজ ফংহনবা, ষ্টেট মেদিকেল কোলেজশিং অমসুং হোস্পিটালশিংদা অহেনবা টিমশিং শেম্বা, আই সী এম আরগী গাইদলাইনশিং মতুং ইন্না হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংবু ব্লেক ফঙ্গস কেসশিং ঙন্না দাইগনোস তৌবা অমসুং মেনেজ তৌবগী মতাংদা তাকপী-তম্বীবা, মীয়াম অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংগী মরক্তা মীপাইবা হন্থনবগী রিক্কম্মেন্দেসনশিং পীবা য়াওরি।
ব্লেক ফঙ্গস হায়রগা খঙনবা ম্যুকোরমিকোসিস অসি নেচরেল ইনভাইরনমেন্টতা ফংবা ফঙ্গস মখল খরনা থোকহনবা ফঙ্গসকী ইনফেক্সন্নি। মসিনা সাইনস, লংস, স্কিন অমসুং ব্রেনদা শোকহল্লি।
ব্লেক ফঙ্গসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা য়াবা হাই রিস্ক গ্রুপশিংদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং, কন্ট্রোল তৌদবা দাইবিটিস মেলিটস (দি এম)গী পেসেন্টশিং, ষ্টেরোইদ ৱাংনা শীজিন্নবা টাইপ টু দি এম পেসেন্টশিং, ইম্ম্যুনো সপ্রেসিভ থেরাপি চঙবা পেসেন্টশিং অমসুং মতম শাংনা আই সী য়ুদা লৈবা পেসেন্টশিং, ওক্সিজেন থেরাপি তৌরিবশিং অমসুং ফেরিটিনগী চাং ৱাংবা পেসেন্টশিং য়াওরি।
উত্তর প্রদেশতা মতুং তাবদা ব্লেক ফঙ্গসনা মীশি-মীনা চাওনা থোকহনবা থিংনবা লায়না অসি থেংনবদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌনবা য়োগি অদিত্যানাথ গভর্ণমেন্টনা ওফিসলশিংদা দিরেক্সন পীখি।
লায়না অসিবু থিংবা অমসুং লায়েংবা অনীমক্কী থৌরাংশিং লাংনবা অমসুং তঙায় ফদবা হীদাক লাংথকশিং ফংহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মখা তানা খঙহনখি।

# টামিল নাদুনা চাইনীজ কোভিদ ভেক্সিন মেকরশিংসু বিদ্দিং য়াওবা য়াহনখ্রে

চেন্নাই, মে ১৬ (এজেন্সী):
টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৩.৫ লৈনবা মালেমগী কম্পনিশিংদা টেন্দর থোকপদা চাইনাগী ভেক্সিন শাবা কম্পনিশিংবু বিদ্দিং তৌবা য়াহল্লে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।
ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না এপ্রুভ তৌবা অমসুং দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি জি সি আই)না লাইসেন্স পীরবা পোত্থোক (ভেক্সিন) খূদিংমক ঐখোয়না বিল্ডিং য়াগনি। ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না, দব্লিয়ু ঐচ ওনা ভেক্সিন তরুক এপ্রুভ তৌরে অমসুং দি সি জি আইনা অহুম এপ্রুভ তৌরে।
অমরোমদা, ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না ভেক্সিন দোজ ক্রোর অমা সপ্লায় তৌহন্নবগী টেন্দর কৌবদা ইন্দিয়াদা বোর্দর লোন্নবা লৈবাকশিংদা লৈবা কম্পনিশিং বিদ্দিংদা য়াওবা য়ারোই হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা চাইনাগী ভেক্সিন শাবা কম্পনিশিং দিসক্বালিফাইদ তৌখ্রে।
টামিল নাদু মেদিকেল সর্ভিসেস কোর্পোরেসন লিমিটেদনা টেন্দর থোকপদা পল্লিবা রেষ্ট্রিক্সনশিংগী মনুংদা বিদ্দরগী ভেক্সিন অদু দব্লিয়ু ঐচ ওনা এপ্রুভ তৌগদবনি অমসুং ইন্দিয়াদা শীজিন্ননবা দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি জি জি আই)না বিদ্দিংগী নুমিত্তা লাইসেন্স পীবা ওইগদবনি হায়বা য়াওরি। করিগুম্বা ভেক্সিন অদু দব্লিয়ু ঐচ ওনা এপ্রুভ তৌরগা দি সী জি আইনা এপ্রুভ তৌদবা ওইরবদি ভেক্সিন লৈবদু দি সী জি আইনা এপ্রুভ তৌবা/লাইসেন্স পীবগী মখা পোনগনি। ভেক্সিন থম্বগী টেম্পরেচরনা সেলসিয়স দিগ্রী ২-৮ ওইগদবনি অমসুং ফমজিল্লোইদবনি।
বিদ্দিং তৌরিবা ভেক্সিন মেন্যুফেকচরর অদু হকথেংননা নৎত্রগা অতৈ ওথোরাইজ দিল্লরগী খূত্থাংদা হৌখিবা চহী অনিগী মনুংদা অমদা মালেমগী লৈবাক অমদা য়ামদ্রবদা দোজ মিল্লিয়ন ২০০ ফাওবা সপ্লায় তৌখিবা ওইগদবনি। দোজ শিংসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী অমা অসিদা য়ামদ্রবদা দোজ মিল্লিয়ন ৫০ সপ্লায় তৌখিবসু ওইগদবনি।
করিগুম্বা বিদ্দর অদু মেন্যুফেকচরর নৎত্রবদি মহাক মেন্যুফেকচররনা ওথোরাইজ তৌবগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী অনীগী মনুংদা লৈবাক অমদা য়ামদ্রবদা দোজ মিল্লিয়ন ৫০ সপ্লায় তৌখিবা ওইগদবনি। দোজ শিং অদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা দোজ মিল্লিয়ন ২৫ হৌখিবা চহী অমা অসিদা সপ্লায় তৌগদবনি। চৈরকসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগীদমক গ্লোবেল টেন্টরশিং থোক্লরকপগা লোয়ননা সিরিঞ্জ মেন্যুফেকচররশিংনসু মখোয়গী পোত্থোকশিংগী দিমান্দ হেনগৎলক্লগনি হায়না থাজরি।

# দেল্লীগী লোকদাওন মে ২৪ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৬ (এজেন্সী):
নেসনল কেপিটেলদা থল্লিবা লোকদাওন মখা তানা চয়োল অমগসু শাংদোক্তুনা মথংগী নিংথৌকাবা ফাওবা চত্থরগনি হায়না দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।
পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভতা কোভিদ-১৯ কেসশিং ৱাংখৎলকপদগী এপ্রিল ১৯দগী নেসনল কেপিটেলদা লোকদাওন থল্লকখি।
দেল্লীদা কোভিদকী ফিভম থুনা ফগৎলক্লি। কেস মশিং শীংথানিংঙাই ওইনা লেপ্তুনা হন্থরক্লি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা এচিভ তৌখিবশিং ঐখোয়না মাঙহনবা পামদে। মরম অদুনা হয়েং লোকদাওন লোইশিনবগী মহুত্তা মথং নিংথৌকাবগী অয়ূক পূং ৫ ফাওবা লোকদাওন শাংদোক্লি হায়না কেজ্রিৱালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।
দেল্লীদা নোংমদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লেপ্তুনা হন্থরকখি। পোজিটিভ ওইবগী চাংসু হন্থখি। থাংজ নুমিত্তা দেল্লীদা অনৌবা কেস ৬,৪৩০ দিটেক্ট তৌখি। নেসনল কেপিটেলদা নোংমদা থেংনবা কেস ৭,০০০ য়ৌদবসি মসি থারগা থংন-থংননা নুমিৎ নীনি শুরে। দেল্লীগী কোভিদ কেস মশিং থা অমা খরা হেনবগী মমাঙদগী ১০,০০০ য়ৌদনা লাকখি।
দেল্লী গভর্ণমেন্টকী থাংজ নুমিৎকী হেল্থ বুলেটিনগী মতুং ইন্না, নেসনল কেপিটেলদা কোরোনাভাইরসকী এক্টিভ কেস ৬৬,২৯৫ লৈ।
পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১১.৩২দা হন্থরে। মসি এপ্রিল ১২গী মতুংদা খ্বাইদগী নেম্বা পোজিটিভ রেটনি। দেল্লীদা কোভিদ লাইচৎতা শিখিবা মী মশিং ২১,২৪৪ শুরে। শিবগী চাং ১.৫৩নি।

# ফেসবুক পোষ্ট কেসতা এন আই এনা টামিল নাদুগী মফম মরিদা রেইদ চত্থখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৬ (এজেন্সী):
আই এস আই এস অমসুং ফন্দামেন্টেলিষ্ট ওর্গনাইজেসন হিজব-উট-সাহরিরগী আইদিওলোজি শন্দাক্লিবা কা-হেনবা চৎপা এক্যুজ মোহম্মদ ইকবালনা থাগৎপা চিংননিংঙাই ওইবা ফেসবুক পোষ্ট অমগা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না নোংমাইজিং নুমিত্তা টামিল নাদুগী মফম মরিদা থিবা হুম্বা চত্থখ্রে।
ফেসবুকতা চিংননিংঙাই ওইবা পোষ্ট খরা থাগৎপগা মরী লৈননা লমদম অদুমক্কী থিদীর পুলিস ষ্টেসনদা হান্না রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অদুগা মরী লৈননা এন্টি-টেরর এজেন্সি অসিনা টামিল নাদুগী মদুরাই দিষ্ট্রিক্টতা থী হুম্বা চত্থখি। মদুরাইগী কাজিমার ষ্ট্রীট, কে পুদুর, পেথানিয়াপুরম অমসুং মেহাবুব দালায়মদা মখোয়না থী হুমখি।
থী হুম্বদুদা লেপটোপ, হার্দ দিস্ক, মোবাইল ফোন, মেমোরি কার্দ, সিম, পেন দ্রাইভ য়াওনা দিজিটেল দিভাইস ১৬ অমসুং চিংননিংঙাই ওইবা লাইরিক, পমফ্লেট অমসুং দোক্যুমেন্ট কয়া ফংখি।
এন আই এনা কেস অদু চহী অসিগী এপ্রিল ১৬তা অমুক হন্না রেজিষ্টর তৌদুনা থীজিনবগী থবক পায়শিনখি। হৌজিক ফাওবদা ফেসবুক, পোষ্ট থুঙা ভিজিগাল রেন্দু কাজিমার ষ্ট্রীটতা লৈ হায়বসি কাঙলুপ অমবু মিংচৎ থীহন্নবা এক্যুজ মোহম্মদ ইকবালনা অপলোদ তৌখিবনি হায়বসি খঙবা ঙম্লে।
পোষ্টশিং অদু পব্লিক ওর্দর কায়হনগদবা মওংদা লমদম অদুগী তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা য়েংথিনবা থোকহন্নবা থাগৎখিবনি হায়না এন আই এনা ফোঙদোকখি।
মদুরাইগী কাজিমার এরিয়াদা লৈবা ইকবাল এলিয়স সেনথিল কুমার হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ২দা ফাখি অমসুং মহাক হৌজিক জেলদা লৈরি। কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি।

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 53,40,000+34,848 | 47,70,000+59,073 | 80,512+960 |
| Karnataka | 21,70,000+41,664 | 15,40,000+34,425 | 21,434+349 |
| Kerala | 21,20,000+32,680 | 16,70,000+29,442 | 6,339+96 |
| Uttar Pradesh | 16,10,000+12,513 | 14,10,000+28,404 | 17,238+281 |
| Tamil Nadu | 15,70,000+33,658 | 13,40,000+20,905 | 17,359+303 |
| Andhra Pradesh | 14,10,000+22,517 | 11,90,000+18,739 | 9,271+98 |
| Delhi | 13,90,000+6,430 | 13,00,000+11,592 | 21,244+337 |
| West Bengal | 11,10,000+19,511 | 9,69,000+19,211 | 13,137+144 |
| Chhattisgarh | 9,08,000+7,664 | 7,86,000+13,098 | 11,590+129 |
| Rajasthan | 8,49,000+13,575 | 6,34,000+17,481 | 6,621+149 |
| Gujarat | 7,44,000+9,061 | 6,24,000+15,076 | 9,039+95 |
| Madhya Pradesh | 7,24,000+7,571 | 6,17,000+11,973 | 6,913+72 |
| Haryana | 6,85,000+9,676 | 5,83,000+12,593 | 6,546+144 |
| Bihar | 6,45,000+7,336 | 5,59,000+14,340 | 3,743+73 |
| Odisha | 6,00,000+11,805 | 5,02,000+10,781 | 2,294+21 |
| Telangana | 5,25,000+4,298 | 4,69,000+6,026 | 2,928+32 |
| Punjab | 4,91,000+6,771 | 4,01,000+8,125 | 11,693+216 |
| Assam | 3,25,000+5,347 | 2,78,000+3,254 | 2,123+63 |
| Jharkhand | 3,13,000+3,157 | 2,67,000+6,762 | 4,431+65 |
| Uttarakhand | 2,83,000+5,654 | 1,99,000+4,836 | 4,623+197 |
| Jammu and Kashmir | 2,40,000+3,677 | 1,86,000+4,140 | 3,090+63 |
| Himachal Pradesh | 1,58,000 | 1,16,000+4,137 | 2,254+56 |
| Goa | 1,35,000+1,957 | 1,02,000+3,512 | 2,056+58 |
| Puducherry | 82,545+1,598 | 64,198+1,774 | 1,119+20 |
| Chandigarh | 54,703+660 | 46,231+963 | 625+8 |
| Chandigarh | 54,703+660 | 46,231+963 | 625+8 |
| Tripura | 40,816+761 | 35,522+126 | 431+2 |
| Manipur | 39,052+730 | 32,275+403 | 562+10 |
| Meghalaya | 22,763+560 | 18,124+215 | 301+21 |
| Arunachal Pradesh | 21,622+249 | 19,293+199 | 78+1 |
| Nagaland | 17,835+304 | 13,654+54 | 196+6 |
| Ladakh | 16,333+177 | 14,619+180 | 165+2 |
| Sikkim | 11,070+215 | 7,857+202 | 203+5 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 9,447+112 | 8,576+172 | 4 |
| Mizoram | 8,680+181 | 6,498+87 | 24+1 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,568+26 | 6,267+42 | 85 |
| Lakshadweep | 4,650+82 | 3,487+95 | 13 |

# স্পুটনিক ভেক্সিনগী কন্সাইনমেন্ট থুংলখ্রে

হায়দরবাদ, মে ১৬ (এজেন্সী):
স্পুটনিক ফাইভ ভেক্সিনগী অনীশুবা কন্সাইনমেন্ট নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়দরবাদতা থুংলখ্রে। ভেক্সিন দোজ ৬০,০০০ য়াওবা স্পেসল কার্গো ফ্লাইট অমা রাজিব গান্ধি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখি।
হায়দরবাদ কষ্টমসনা ইম্পোর্টেদ ভেক্সিনশিংদু ক্লিয়ারেন্স থুনা পীখি। ইন্দিয়াদা স্পুটনিকী অহানবা দোজ কাপখিবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা অনীশুবা কন্সাইনমেন্ট অদু য়ৌরকপনি।
রসিয়ন ভেক্সিন অসিগী মার্কেটিং পার্টনর রেদ্দিস লেবোরেটরিনা ইরাই নুমিত্তা ভেক্সিন অসিবু সোফ লোঞ্চ তৌখি। স্পুটনিক ফাইভ ভেক্সিন অসি দোজদা লুপা ৯৯৫ ফাওবগী মনুংদা য়োনগনি হায়নসু কম্পনি অসিনা লাউথোকখি।
হায়দরবাদতা বেজ তৌবা ফার্মা মেজর অসিগী মতুং ইন্না সোফ লোঞ্চ অদুগী পান্দমদি দোজ অনীগী কোলাড-চেন লোজিষ্টিক্স জুন থাখায় চনবদগী পাক-শন্না ফংহনগনি। হৌখিবা চয়োলদা কসৌলিদা লৈবা সেন্ট্রেল দ্রগস লেবোরেটরিনা ইম্পোর্টেদ দোজশিংগী ক্লিয়ারেন্স পীরবা মতুংদা রসিয়ন ভেক্সিন অসি ইন্দিয়াদা সোফ লোঞ্চ তৌখিবনি।
স্পুটনিক ফাইভ অসি হৌখিবা থাদা দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ ইম্ম্যুনাইজেসন্দা য়াওবা য়াখি। কোভেক্সিন অমদি কোভিসিল্ডদি মতম খরগী মমাঙদগী লৈবাক অসিগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা শীজিন্নদুনা লাক্লি।
দোজ ১৫০,০০০ য়াওবা অহানবা কন্সাইনমেন্ট মে ১দা হায়দরবাদতা থুংখি। ইফিকেসিগী চাং চাদা ৯১.৬ য়ৌবা স্পুটনিক ফাইভ অসি মালেমগী অহানবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন্নি। লাস্সেটতা ফোঙখিবা ক্লিনিকেল ত্রাইএল দেটানা ভেক্সিন খুদোংথীনিংঙাই ওইদে অমসুং ইফেক্টিভ ওই হায়বসি উৎখি।

# 'কোভেক্সিননা অনৌবা ভেরিএন্টশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী'

ন্যু দেল্লী, মে ১৬ (এজেন্সী):
কোরোনাভাইরসকী নৌনা থোক্লক্লিবা ভেরিএন্টশিং ভারত বাইওটেককী কোভেক্সিননা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসি অনৌবা ষ্টদি অমনা উৎখ্রে।
পীয়র-রিভিয়ু পব্লিকেসন ক্লিনিকেল ইনফেক্সস দিজিজেসদা ফোঙবা ষ্টদি রিপোর্টতা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টশিং কোভেক্সিননা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না পনখি। ষ্টদি অদুদা কোভেক্সিন কাপ্পা অসিনা বি ১৬১৭ অমসুং বি ১১৭ হায়রিবা মথংশীৎনা ইন্দিয়া অমসুং য়ু কেদা হান্না থেংনখিবা ভেরিএন্টশিং য়াওনা অনৌবা থোক্লকপা মরু ওইবা ভেরিএন্ট খূদিংমক মাঙহনবা নৎত্রগা হাৎতোকপা ঙম্বা টাইটর (এন্টি বোদি) শিং পুথোকপা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ঙমখি।
ভেক্সিন ভেরিন্টকা চাংদম্নবদা বি ১৬১৭কী মায়োক্তা ভাইরস মাঙহনবা ঙম্বগী চাং ১.৯৫ ফেক্টরদা হন্থে হায়বসিসু ষ্টদি অদুদা খঙখি। মসি ওইদুনসু বি ১৬১৭কী মতাংদা ভেক্সিন অসিগী ন্যুত্রেলাইজিং টাইটর লেভেল ৱাংনা লৈ।

# কোংগ্রেসকী এম পি সাতাব কোভিদনা নাবদগী লৈখিদ্রে

পুনে, মে ১৬ (এজেন্সী):
কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর অমসুং মহারাষ্ট্রগী রাজ্য সভা মেম্বর রাজিব সাতাব নুমিৎ ২৩নি চুপ্পা কোভিদ-১৯গা লান্থেংনরক্লবা মতুংদা পুনেগী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৪৬ শুখ্রে অমসুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী কোর টিমদা য়াওই।
সাতাব এপ্রিল ১৯দা কোভিদকী লাইওংশিং চেল্লকখি অমসুং এপ্রিল ২১দা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখি। মহাক পুনেগী জেহাঙ্গির হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি অমসুং মহাক্কী ফিভম শোকচিল্লকখি। চয়োল অমা লৈরগা মহাক ভেন্টিলেটর শীজিন্নহনখি। খরা ফরক্লবা মতুং মহাক হৌখিবা চয়োলদগী ফিভম খংশোক শোকচিল্লকখি অমসুং মখা তানা আই সী য়ুদা লৈখি। মহাক নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্তা লৈখিদবনি।
ষ্টেট রেভিন্যু মিনিষ্টর ভালাসাহেব থোরাতনা হোস্পিটালদা চৎতুনা সাতাবকী ফিভম হংখি, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এগ্রিকলচর অমসুং কোংগ্রেস লীদর বিস্বাজিৎ কদমনা ইমুংগী মীওইশিং অদু হোস্পিটালগা তোয়না পাউ ফাওনখি।


/ওজা ABDUL HAQUE PILESকী ওইনা MANIPUR দা অতাংবা ওজানি

অমুক্তং ওজা Kabiraj Abdul Haque কী হীদাক চাবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা Piles না নাবগী অৱাবশিং খোং হান্বা মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা য়াম্না তোয়না হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, অমাংথোঙদা পেরে থোক্তুনা ইথ্ঞি মখায়মুক ইন্থরকপা, পুক শাবা, পুক খোংবা, থবাক ফুনগৎপা, চানিংবা পোক্তবা, ইশা ইতন তন্থবা, খোং হান্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরম্বা অদু ওজা Abdul গী হীদাক চাজবদগী অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Haque পু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না মপুদা থৌনিজরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
# 8794429681, 8014623756

*থাগৎচরিবা :* **Ng. Sunil**
Nambol Bazar
HL-P/9659/17

/ অৱাবা ফোঙদোকপা



Yaiskul Athletic Club (YAC)গী মতম শাংনা মরুওইবা থৌ পুরম্বা Aribam Chandrakumar Sharma @ Bebe না ঙরাং ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা Yaiskul Athletic Club (YAC) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না ক্লব অসিগীদমক্তা লৌরম্বা থৌদাং কয়াবু নীংশিংবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **Achom Indukiran Singh**, Secretary,
Yaiskul Athletic Club (YAC)
HL-P/9753/17

/ দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্নবা করবার, শেল-থুম, শেল পুত্থবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্নবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূত্থাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-P/9658/21/4-22/5

/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6972/17/5-15/6